থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পে কম্মিসন খল্লুনু, হুরানবগী মচানি




লৈঙাক্কী ওইরো, লন্নাইগী ওইরো - কনাগুম্বনা মীশক অমবু করিগুম্বা থবক অমগীদমক শিজিন্নরুবা, মাগী মতীক চাবা খূৎশুমল পীফম থোকই, পীগদবনি। থবক অমদি খূৎশুমল অনী অসি মরী লৈনবা, থাদোক্লবা য়াদ্রবা ৱাহে অনীনি। ঐখোয়গী লোন (মীতৈলোন) ঈনাক খুনবা লোননি হায়নরগসু, মতাং-মতম-শিজিন্নফম মতুং ইন্না য়াম্না লায়রবা লোন অমা ওইরম্বসু থেংনৈ। খুদম ওইনা, ঙসিগী থম্মোয় পাউদমগী হীরম অমা ওইনা লৌখৎচরুরিবা - 'থবক' অমদি 'খূৎশুমল'। থবক হায়বসিগী থবক খূৎশু, মওং মতৌ তোঙাল্লি। থবক্তুগী মওং-মতৌ মতুং ইন্না ইংরাজিদদি মমিং (ৱাহে) তোঙান-তোঙাল্লি - ৱার্ক, লেবর, ইফর্ট, টাস্ক, জোব, দ্যুটি, সার্ভিস, এসাইনমেন্ট, প্রোজেক্ট, চার্জ, ক্রিয়েসন... অসিনচিংবা। শূরিবা থবক্তুগী মওংদুগী মতুং ইন্না খূৎশুমলগী মমিঙসু - পে, সেলরি, ৱেজ, রিম্যুনরেসন, ইমোল্যুসন, পী, কম্পেন্সেসন, ষ্টাইপেন্দ, আর্নিং, ইনকম, ওনরেরিয়ম, রিৱার্দ, বোনস...অসিনচিংবা।

ইহে! তমগে খল্লুবা ৱাফম্না অমা! ইবা হৌখ্রগা ৱাখলগী ঈচেলসি হেক থৈদোকখিবা, মসিমদি য়াম্না তোয়না থোক্লবা, থিংবা ঙমদ্রবা ইতৌনি। নহান, ওক্টোবর তারখি ২৫, ২০১৭ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন টশিংদা থবক শূরিবা (ইমপ্লোয়ী) শিংগী খূৎশুমল হেনগৎহল্লু, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা ফংলিবা তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী রিকম্মেনে দসন চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দদা নোংমগী ওইবা ছুটি পাক্তক্লনা লৌবগী খোঙজং অমা চঙশিনখিবদুদা ৱাফম খরসি পাউদমগে খল্লকখিবনি। খঙদে, কনাগুম্বনদি অহেৎপা শাবনি খনখিগদ্রা?

মীনা হায়নৈ হায়দুনা পঙহায় হায়নবগী হায়বনি, অয়াম্বা মী (কর্ম্মচারি) শিংনা খঙলম্লোই - পে কম্মিসন হায়বসি করিনো? ইচম চম্না, থাগী খূৎশুমল (তোলোব) হেনগৎহন্নবা ইবা ৱারোল অদুনি- হায়বসিতনি খঙনরিবা। হিংবদা চঙবা পোৎচঙগী মমল মতুং ইন্না, হিংবগী মমল লেপ্পী। মী খূদিংমক, পোক্লবদি হিংদবা য়াদে। হিংনবগীদমক চঙবা পোৎলম অদু কনানসু লেম্না পীরক্তে। মমল পীদুনা লৈবা তাই। মমলদু পীবা ঙম্বা থবক অমা শূবা তাই। থবক অদুবু ঐখোয়না কৌই পূন্সি লানফম, পূন্সি লানফম থেংনদবা মী লৈতে। মাগী মাগী ঙমজবা শক্তি মতুং ইন্না থেংনৈ তোঙান-তোঙানবা লানফম! অদুগুম্বা লানফম অমনি গভর্ণমেন্ট সার্ভিস (লৈঙাক্কী থবক)। লৈঙাক্কী থবক (লানফম) হায়বসিসু মখল অহুম শুই - ওল ইন্দিয়া সার্ভিস, সেন্ট্রেল সার্ভিস অমদি ষ্টেট সার্ভিস। ওল ইন্দিয়া সার্ভিস হায়বনা, ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টতা থৌদাং পাঙলিবা থৌমীশিং। সেন্ট্রেল সার্ভিস হায়বনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী অকক্লবা দিপার্টমেন্ট অমদা, অমুক হোংবা তৌদনা লেঙদনা তৌরিবা থবক, খুদম ওইনা - ইনকম টেক্স, কষ্টমস, একাউন্টেন্ট জেনরেল, পোষ্ট ওফিস অসিনচিংবা ওফিসশিংদা শিন ম্নীশিংনা শূরিবা থবক। ষ্টেট সার্ভিস! পূম্ন মক্লা খঙবীরে - ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লৈঙাক শঙলেন চলাইনবা লৈঙাকশিংদুনা নেক্তুনা শিজিন্নরিবা শিন্মীশিংদুনা শূরিবা থবক!

অসিগুম্বা শিন্মী (ইমপ্লোয়ী) শিংনা শূরিবা থবকশিং অদুগা, মতম-মতমগী হোংলক্লিবা পূন্সিগী মমল অদুগা চানবা খূৎশুমল ফংলিবরা হায়বদু য়েংশিল্লবা, লোয়ননা মতমগা চূনবা খূৎশুমল হোংদোক্লবগী/চাং লেপথোক্লবগী ৱারোল লৈঙাক্তা লানখৎনবা শেন্লিবা মীওই খরগী কাঙলুপ অদুবু কৌই 'পে কম্মিসন'। ইন্দিয়ানা হেক নিংতম্লমঙৈদগী ঙসি ফাওবদা অসিগুম্বা কম্মিসন, তরেৎলক শেমখ্রে।

অহানবা পে কম্মিসন, ১৯৪৬ জান্যুৱারীদা শেম্লগা, ১৯৪৭ মেদা রিপোর্ট লানখৎখি। অনীশুবা কম্মিসন ১৯৪৭ ওগষ্ট থাদা শেম্লগা থা অনীগী মতুংদা রিপোর্ট লানখৎখি। অহুমশুবা অদুনা এপ্রিল, ১৯৭০ দা শেম্লগা মার্চ, ১৯৭৩ দা রিপোর্ট পীখৎখি। কুমজা ১৯৮৩, জুন থাদা শেমখিবা মরিশুবা পে কম্মিসন, মরিরক থোক্লা লানখৎখিবা মরিশুবা পে কম্মিসন মার্চ ১৮, ১৯৮৭ তা শেম শাখি। এপ্রিল ৯, ১৯৯৪ দা নোটিফিকেসন থোকখিবা মঙাশুবা কম্মিসন মে ২ দগী থবক হৌখি। ঙসি ফাওবদা খ্বাইদগী ৱাথোক চাউবা পে কম্মিসন্নি শিংথানরি। জুলাই ২০০৬, তরুকশুবা পে কম্মিসন লিংখৎনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখি। থা ১৮ গী মনুংদা রিকম্মেন্দেসন পীখৎনবা খঙহনখি। তরেৎশুবা পে কম্মিসন শেম্নবা গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ ২০১৩, সেপ্টেম্বর ২৫ দা লাউথোকখি। মদুগী রিকম্মেন্দেসন ২০১৬ জান্যুৱারির ১ দগী চৎনহন্নবা ৱারেপ্লখি। জষ্টিস এ কে মাথুরনা লুচিংবা কম্মিসন অসিগী ৱারেপশিংগী মরু ওইবা মশক্তি - ইমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমল চাদা ২৩.৫৫ হেনগৎপা, খ্বাইদগী পীকপা থাগী তোলোব লুপা ১৮,০০০ ওইহনবা, খ্বাইদগী চাউবনা লুপা ২,২৫,০০০ ওইহনবা, পেন্সনরগী পেন্সন চাদা ২৪ হেনগৎহনবা, শিন ম্নীশিংগী খূৎশুমল চহীদা চাদা অহুম হেনগৎহনবা, আর্মিশিংগী ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সন স্কিম চৎনহনবা, গ্রেচুইটিগী শেনফম লুপা ১০ দগী ২০ দা হেনগৎহনবা অসিনচিংবনি।

মথক্তা পঙখিবদুনি - মখল অহুমগী গভর্ণমেন্টকী সার্ভেন্টসিগী মনুংদা অনীনা তরেৎশুবা পে কম্মিসন্না লেপ্পা খূৎশুমল পীরগা ষ্টেট সর্ভেন্টশিংবুনা হন্থবা খূৎশুমল পীবীবা হৌনদবা থবক্লি, ময়েক শেংবা মীচং মীখায় নাইবা থৌশিল অমনি। ষ্টেটকী ফন্দ লৈতে, অহেনবা খূৎশুমল পীনিংঙাই লৈতে... খ্বাইদগী লায়বা থৌদাং য়াওদবা ৱাঙাঙনি। মশাগী শেন্থোক (রিভিন্যু) লৈজদবা, লৈনবসু হোৎনদবা, নিরগা লৈঙাক চলাইবা লৈবাক অমগী লৈঙাকপা ওইরুরবনা, মানা নেক্লবা শিন্মীশিংগী খূৎশুমল পীবা ঙম্নবা হেন্না চাউবা বেঞ্জর - পোলিটিসিয়ন ওইবা তাইদনা! করি পাম্বে লৈ? নিরগা লৈঙাক চলাইবা গভর্ণমেন্ট অমগী দিপার্টমেন্টেল হেদ ওইরিবশিং - মখোয়না শেঞ্জাও চারগা, মখা থাবনা শেন্নাউফংলিবা... কৈথেলদগী পোৎ লৈবদদি মঙোন্দগী মমল হেন্না লৌহৌরোই। চপ মান্নবা পূন্সি মমলনি পীরমদৌরিবা পূন্সি লল্লোনবা মীদুদা/সিবু হৌনব্রনে হা পলেম? শিন্মীগী অহেনবা খূৎশুমল পীনিংঙাই লৈতসু শক্তি মুন্নবা, অরোনবা কৈথেল অদুদদি কংবা লৈতে ক্রোর ক্রোরগী ঈফুৎ।

লৌশিং পুক্কে

# নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা থোকহল্লকপা অমাঙ-অতাশিং


মালেমদা এয়র পোল্যুসনগী চাং নোংম-নোংমগী অসুম ৱাংখৎলক্লি। মসিনা থৱায় পানবশিং মরুওইনা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। পুনেদা লৈবা ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ ট্রোপিকেল মেটিওরোলোজি (আই আই টি এম) না চথখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপশিং নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওখিবনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা চহী ৩.৪ রোম পুন্সি তেলহল্লে হায়রি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবসি দিল্লিদা লৈরিবা মীওইশিংনি। মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং চাংচৎতা চহী ৬.৩ লোম পুন্সি তেনশিল্লক্লে।

কুমজা ২০১১ গী অনৌবা পোপ্যুলেসন সেন্সস মতুংইন্না চহী খুদিংগী ইন্দিয়ন মচা লাখ ৫.৭ লোম পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম) না মরম ওইদুনা শিরি। মসিগীসু মথক্তা অতোপ্পা মীওই ৩১,০০০ নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা গ্রাউন্দ লেভেল ওজোন (০৩) য়াওখিবদগী শিরি। পার্টিক্যুলেট মেটর হায়বসি নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপগী চাং অদুনি।

পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম) গী চাং অসুম অসুম ৱাংখৎলকপা মরম্না এয়র পোল্যুসনগী ৱাফম অসি তরাইনা লৌবা য়ারক্লে হায়না ষ্টদি অদুগী প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর ওইখিবা ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ ট্রোপিকেল মেটিওরোলোজি (আই আই টি এম) গী সচিন ঘুদেনা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না মালেমগী লৈবাক ১০০ গী সিটি ৩০০০ গী মরমদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না দিল্লি অসি মালেমদা ১১ শুবা খ্বাইদগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপা মফম ওইরে। রিপোর্ট অদুনা হায়খি, এয়র পোল্যুসনননা মরম ওইরদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি বিহারগুম্বা অতৈ ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীওইশিংসু মথংশিংনা চহী ৬.১ অমদি চহী ৫.৭ কী চাংদা পুন্সি তেনশিল্লক্লে। সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি) না ফোঙলকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী সিটি ৯০ রোমদা ওইরিবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়রি।






অমরোমদা, স্বিদেনগী য়ুমিয়া য়ুনিভর্সিটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা মরম ওইরদুনা মালেমদা অঙাং শিনা পোক্লকপগী চাং ৱাংখৎলক্লে। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুমিয়া য়ুনিভর্সিটিগী অন্না ওদিননা হায়খি, নুংশিৎতা য়াওবা নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ (এন ও ২) অমসুং পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম ১০ অমদি পি এম ২) অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লে। মসিনা মরম ওইরদুনা অঙাং শিনা পোক্লকপা, পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং শিবা অমসুং অঙাংশিং ৱাখল লায়না নাবগী চাং হেনগৎহল্লে।

বৃটিশ মেদিকেল জর্নেল (বি এম জে) দা ফোঙলকখিবা ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, নুংশিৎ মোৎপদগী ইস্কেমিক হার্ট দিজিজ নাদুনা অঙাং চাদা ৮০ রোম মনুং মতম চাদনা শিরি। অতোপ্পা অঙাং চাদা ১৪ না ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি) নৎত্রগা একুট লৱর রেস্পিরেটরি ইনফেক্সননা মরম ওইরদুনা শিরি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা অঙাং চাদা ৬ লোম লংস কেন্সরনা মরম ওইরদুনা মনুং মতম চাদনা শিহল্লিবনি।

অমরোমদা দেনমার্ককী য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেন-হেগেননা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, এয়র পোল্যুসনগী চাং অসি অসুক্কী মতিক খুদোংথিনিংঙাই ওইরে মদুদি মমাগী পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদফাওবা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগী ফীভমদা লাক্লে। নুংশিৎ ক্যুবিক মিটর অমদা য়াওবা অমোৎপা মাইক্রোগ্রাম ৪ খক্লা মমাগী পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাং অমবু শিহনবা ঙম্মী।

পুম্নমক অসি য়েংলুরগা মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা মশা-মশানা ঙমজবা থাক্তা এয়র পোল্যুসনগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে।

# মুদ্রা লোন স্কিমগী কান্নবশিং ফিশাবীশিংদা মপূং ফানা ফংহন্নবা হোৎনগনি : রোবিন্দ্রো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস): মুদ্রা লোন স্কিমগী কান্নবশিং ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী লমদা থবক তৌরিবশিং অমদি ফিশাবীশিংদা মপূং ফানা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়না ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।




দিভলপমেন্ট কম্মিসন ফোর হেন্দলূম মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসনা স্পোন্সর তৌরগা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলস, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ঙসি ময়াং ইম্ফালদা লৈবা প্রভাবতি কোলেজগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফট দেলিভরি মুদ্রা স্কিমগী এৱ্যেরনেস কেম্পেয়ন প্রোগ্রামগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ, কে রোবিন্দ্রোনা হায়খি, লমদমসিগী ফিশাবীশিং অমসুং হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী লমদা থবক তৌরিবশিংনা মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকপদা চাউরবা থৌদাং লৌরি। মণিপুরদা ফিশা-লোনশাগী ওইবা অচৌবা ইন্দষ্ট্রি কয়া নিংথিনা লৈত্রি। অদুমকপু লমদমসিগী ফিশাবী অমদি হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী থবক তৌরিবা কয়ানা পুথোকপা পোৎলম কয়াদি মপান লমগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা ওইনা তৌই।

লমদমসিগী ফিশাবীশিং অয়াম্বনা লায়রবা ইমুংদগী ওইবনা মখোয়গী ইমুং-মনুং পুনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়াসু মায়োক্নৈ। সেন্টরদা লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লায়রবা ফিশাবী অমদি হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী ওইবা থবক থৌরমশিংবু শিনফম ওইনা তৌরিবা কয়াবু মুদ্রা লোন স্কিমগী মখাদা অপীকপা শেন্দোইদা চাউরবা শেন্থুং কয়া থাদদুনা কান্নবা কয়াসু ফংহল্লি।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুংদা লৈরিবা ফিশাবীশিংসু অসিগুম্বা মখলগী কান্নবা অসি ফংহন্নবা হোৎনগনি। ফিশাবী কয়াদা ক্রেদিট কার্দসু ফংহনবা হৌরে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সবসিদি য়াওনা অপীকপা শেন্দোইদা পীরিবা কান্নবা অসিসু মীয়াম্না লৌবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলস ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রোজেক্ট মেনেজর টি ঐচ সুনিলানা প্রসিদেন্ট, ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন অসেম রাধামনি, কাউন্সিল অসিমক্কী ভাইস-চ্যেরপার্সন ক্ষেত্রিময়ুম মেমচা অমসুং বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী প্রসিদেন্ট ইরোম রবিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী ফিশাবী অমদি হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী লমদা থবক তৌরিবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ অমদি শৌগৎপশিং বি জে পিনা ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ ওইনা খল্লবশিং অমদি শৌগৎপা মেম্বরশিং ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা তরাম্না ওকখ্রে।



বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা তরাম্না ওকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট জেদ পিগী অধক্ষ অমদি মেম্বরশিংদি অধক্ষদা পি বিমোলা, উপ-অধক্ষদা কে এস ঐচ তামা, মেম্বরশিং মথংশিংনা শওম্বুং জেদ পিগী ইরুংবম রোবিনচন্দ্র, খুন্দ্রাকপম জেদ পিগী থাংজম অঙৌবী, লাইফম খুনৌ জেদ পিগী লাইরেঞ্জম ওলেন্দ্রো, খুরাই নান্দৈবম লৈকায় জেদ পিগী অথোকপম ওকেন্দ্র, খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায় জেদ পিগী ময়াংলম্বম তোম্বা, বামোন কম্পু জেদ পিগী গোলমৈ কাচুংঙা, উচেক্কোন নোংচুপ জেদ পিগী সেরাম নেকেন, তুলিহল জেদ পিগী কে ইনাওচা অমদি চঙমদবী জেদ পিগী কে ঐচ রুহিনানি।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ৱাঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন কে শরতনা হায়খি, হন্দক পাঙথোকখিবা পঞ্চায়ট মীখলদা বি জে পিনা শৌগৎপা মীরেপ অয়াম্বনা মায় পাকখি। জেদ পিগী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট তরুকমক্তা বি জে পিনা শেন্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীখল অসিদা চাং য়াম্না ৱাংনা মায় পাক্লক্লিবসি অফবা খোঙথাং অমনি।

কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্তদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী এম পি থাগৎপা ঙমগনি হায়বগী চাউনা থাজবা লৈ। ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর জেদ পিগী অধক্ষশিং খনবগা লোয়ননা বি জে পিনা দিষ্ট্রিক্টশিং অসি পায়বা ঙমলে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, ৱাই রাধেশ্যাম, এক্স-এম এল এ সলাম জয় অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা তরাম্না ওকখ্রবা বিষ্ণুপুর জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ অমদি শৌগৎপা মেম্বরশিংদি অধক্ষদা উৎলৌ জেদ পিগী ডা. রোমাবাই লাইরেঞ্জম, উপ-অধক্ষদা থাঙ্গ জেদ পিগী নিংথৌজম দিনেশ, মেম্বরদা কৈনৌ জেদ পিগী নিংথৌজম সমানন্দ, নাচৌ জেদ পিগী থিয়াম দিলিপ, থিনুঙ্গৈ জেদ পিগী ওইনাম জয়চন্দ্র, খা থিনুঙ্গৈ জেদ পিগী ওইনাম ইবোজাও, ৱাঙু জেদ পিগী মোইরাংময়ুম ব্রোজেন অমদি ক্বাক্তা জেদ পিগী ইবেমচা বিবিনি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বস, এক্স-এম এল এ সলাম জয় অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি। ইম্ফাল ইষ্ট জেদ পিগী অধক্ষ য়াওনা মেম্বর ১১ অমদি বিষ্ণুপুর জেদ পিগী অধক্ষ য়াওনা মেম্বর ৮ ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস): ঈচাউনা অৱাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামদা মতেং পাংনবগীদমক জিরি কোলেজ ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসন্না চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা লুপা লিশিং ৫০ তেংবাঙখ্রে।

শেনফম অদু ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা জিরি কোলেজ ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা খুৎশিন্নখি। চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঈচাউনা অৱাবা তারবশিংগীদমক চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা তেংবাঙ পীনরকখিবগী শরুক অমা ওইনা জিরি কোলেজ ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ৫০ ঙসি চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা তেংবাঙখিবনি হায়রি।

## পাগী পরম থিবা, পুগী পুরম থিবা হায়বা থিমদা থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি : মৈরাবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস): য়ু এফ ওনা স্পোন্সর তৌবা মৈতৈ হুইয়েন লাংলোন সিন্দম শঙলেন (শটজাল একাদেমী) ওক্সু নিংথেমচা খুলগী মশা শঙলেনগী ২৬শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাগী পরম থিবা, পুগী পুরম থিবা হায়বা থিমগী মখাদা মশা শঙলেন অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংনা পুল্লগা থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ু এফ ওগী সেক্রেটরি জেনরেল মৈরাবনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

সী সীপুর পার্কিংদা লৈবা য়ু এফ ওগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মৈরাবনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা অহোংবা কয়া লাক্তুনা খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা ফিজেৎ-চাকচাদা, লমচৎ-শাজৎ, চৎনবীদা মীতৌ তম্লুবদগী অহোংবা কয়া পুরক্লি। মসিগী মরু ওইবা চৈথেংনা মশাগী হৌরকফম কাউখিবা মপা-মপু অমসুং মথক থোংবশিংদা থকসি-খাসি লৈরক্তবা কয়া ওইরি। মসিনা খুন্নাই অসিবু মশক থিহনবা অমসুং তংদু-লৈতাদবা ওইরক্লি। মাঙথরক্লিবা শোথরক্লিবা কয়া অসি লাকশিন-হৌদবা তারবদি, হৌরকফমগী খোঙ্গুল মূৎখিবা, নাকোয়ননা হৌফম-শাৎফম তিন্নরক্লবা ফুরুপ কাঙলুপশিংগী ইপা-ইপুশিংনা নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী থম্বীরম্বা য়েক-সলাই, শাগৈ-খুন্নাইগী লংলা-লংজিন ফাওবা মমি শামজিল্লক্তুনা তৎখিবা য়াবগী অকিবদু লৈরক্লি।

মাঙথরক্লিবা, শোথরক্লিবা কয়া অসিদগী খরদং ওইরবসু কঞ্জবা ঙমগদ্রা খন্দুনা য়ু এফ ওনা স্পোন্সর তৌবা মৈতৈ হুইয়েন লাংলোন সিন্দম শঙলেন, ওক্সু নিংথেমচা খুলগী মশা শঙলেনগী ২৬শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাগী পরম থিবা, পুগী পুরম থিবা হায়বা থিমগী মখাদা মশা শঙলেন অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংনা পুল্লগা থৌরম অমা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা লাকপা ফুরুপশিংনা য়েলহৌফি শেৎতুনা মাগী-মাগী য়েকশিং ফম্ফমশিংদা ফমহন্দুনা মপা-মপুশিংগী চৎনবীবু খঙহনবগী তাঙ্কক অমা থমগনি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী ঈথিল অসি য়ু এফ ওগী লুচিংপুরেল আর কে মনিস্নাগী পান দমদা মালেমদা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা পুরকপা লোয়ননা লাল লৈতবা মালেম অমা শেম্বা হায়বা পান্দম অদুনা পীরকপনি হায়নসু মখা তারি।

## লৌউ-শিংউগী স্কিমশিংগী মতাংদা সেন্সিটাইজেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস): লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা স্কিমশিংগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি চুড়াচান্দপুরদা লৈবা হিয়াংতম লমকা য়ঙ পাইতে এসোসিয়েসন (ৱাই পি এ) হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এগ্রীকলচর মিনিষ্টর বি হংখালিয়ননা হায়খি, লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা স্কিমশিংগী মতাংদা খঙহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অসি ঙসি ৱাই পি এ হোলদা হৌদোক্লে।

নবেম্বর ১০ ফাওবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্কনি। লৌউ-শিংউগী পোথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। মতমগা চূনবা টেক্নোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং অসি হেনগৎহনবা তাই। রবি অমদি খারিফ অনীমক্তা লৌউ-শিংউগী পোথোক হেনগৎহনসি। অনৌবা মখলগী টেক্নোলোজি অমদি মেছিন কয়া শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি (এগ্রীকলচর) ডা. সুহেল অখতার অমদি এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি চুড়াচান্দপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী জেদ পি মেম্বরশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস): থৌবাল জিল্লা পরিষদকী নৌনা কারক্লবা মেম্বরশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। ঙসি ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা থৌবাল জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ অমদি মেম্বর কয়াবু এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা তরাম্না ওকখি।

অধক্ষ ওইনা খল্লবা অদুদি তুরেল অহনবী অতৌখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর হসিনা বেগমনি। উপ-অধক্ষ ওইনা হৈরোক জিল্লা পরিষদকী মেম্বর তখেল্লম্বম নুংশিবু খনখ্রে। নৌনা খল্লবা মেম্বরশিংনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক নিংথিনা থবক তৌনবা ৱাফম থমখি।

## স্কুল লেবেল পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস): লাইওন্স ক্লব ওফ কুম্বী গ্রেটরনা শিন্দুনা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট স্কুল লেবেল পেন্টিং কম্পিটিসন অমা ঙসি আইদিয়েল একাদেমী, কুম্বী কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী অকোয়বদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা স্কুল কয়াগী মহৈরোয় ৫০ রোম্না পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখি।

লাইওন্স ক্লব ওফ কুম্বী গ্রেটরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা স্কুল লেবেল পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা সনাতোম্বা ওরিয়েন্টেল ইংলিশ স্কুলগী ক্লাস আইটকী মহৈরোয় সেটলাইট নোংমাইথেম্না অহানবা তাখি। পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা কন্সোলেসন প্রাইজ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।